# ৱারিঙ্কা, ভান্দেৱেঘে, ফেদরর, ভেনস ৱিল্লিয়মসনা ওষ্ট্রেলিয়ন ওপনগী সেমী ফাইনেল চঙখ্রে





মেলবোর্ন, জান্যুৱারী ২৪ :

ষ্টান ৱারিঙ্কানা মফম অসিদা চথুরিবা ওষ্ট্রেলিয়ন ওপনগী লৈবাকপোকপা নুমিৎতা শান্নখিবা মেন'স সিঙ্গলসকী ক্কার্টর ফাইনেল মেচতা হান্নগী ফাইনেলিষ্ট জো ৱাইলফ্রাইদ সোঙ্গাবু ষ্ট্রেট সেটতা মায়থীবা পীদুনা সেমী ফাইনেল চঙখ্রে।

ৱর্ল্ড নম্বর ফোর অসিনা পুং অনীগা মিনিট ১৫ চঙনা শান্নখিবা অদুদা ৭-৬ (৭/২), ৬-৪, ৬-৩ দা মায় পাকখিবগা লোয়নন্না মহাক্কী ষ্টান ৱারিঙ্কানা সেমী ফাইনেল মেচতা স্বিসকী লেজেন্দ রোজর ফেদররগা মায়োক্নদুনা শান্নরগনি।

গ্রান্দ স্লাম অহুম্লক চেম্পিয়ন ওইখ্রবা অমদি কুমজা ২০১৪ দা মেলবোর্নগী ৱিন্নর ওইখিবা ৱারিঙ্কানা হায়খি, মহাক্না মায়োক্নদুনা শান্নবা অসি অরাইবা অমা নত্তে। মহাক (সোঙ্গা) অসি অরিংবা প্লেয়র অমনি। ঙসি শান্নখিবা মেচ অদুগী কন্দিসন অদু য়াম্না থুবা ওইখি হায়না ঐনা খল্লি। অকনবা নুংশিৎ শিৎখি। বোল কন্ত্রোল তৌবদা অরাইবা হায়বদু ওইখিদে হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

ৱারিঙ্কানা ব্রিক পোইন্ট অহুমদগী সার্ভিস ব্রিক অহুম লৌখি অমদি ফোরহেন্দ ২১ য়াওনা ৱিন্নর ৪১ কনখি অমদি অনফোর্স ইরর ২৮ তৌখি।

অতোপ্পা মেচ অমদা তরেৎলক গ্রান্দ স্লাম চেম্পিয়ন ওইখ্রবা রোজর ফেদররনা জেইন্ট কিল্লর জর্মনগী মিসচা জভেরেবপু ষ্ট্রেট সেটতা মায়থীবা পীদুনা ওষ্ট্রেলিয়ন ওপনগী সেমী ফাইনেল চঙখি।

স্বিসকী এস অসিনা মহাক্কী ওপোনেন্টপু ৬-১, ৭-৫, ৬-২ দা মায়থীবা পীখি। মহাক্না কম্পেট্রিওট ষ্টান ৱারিঙ্কাগা লাষ্ট ফোরদা লম্বা তৌদুনা শান্নরগনি।

ওপন অসিগী মরিশুবা রাউন্দদা ৱর্ল্ড নম্বর ৱান এন্দি মরেবু সেট মরিদা মায়থীবা পীখিদুনা ক্কার্টর ফাইনেল চঙখিবা জভেরেবনা ফেদররগী মায়োক্তা অকনবা চেল্লেঞ্জ তৌদুনা শান্নরক্কদ্রা হায়না থাজনখিবা অদু থোইদোকপা অথিংবা লাকখিদে।

মহাক্কী ১৮শুবা স্লাম টাইটল লৌনবা তান্নরিবা অমদি কুমজা ২০১২ গী মতুংদগী অহানবা টাইটল লৌনবা লেপ্লিবা মশাগী চহী ৩৫ শুরবা ফেদররনা মহাক্কী জর্মন ওপোনেন্টপু মশক থোকপা সার্ভ অমদি ভোল্লি শিন্নখিদুনা অহানবা সেট অদু মিনিট ১৯ দা মায়থীবা পীখি। জভেরেবনা অনীশুবা সেটতা নিংথিনা খুৎ হনখিদুনা গেমদা হল্লক্লবা হোৎনখ্রবসু ফেদররনা খুবাম চেৎনা পায়খিদুনা নক্ষৎখি।

ওপন অসিগী নুপীগী সিঙ্গলস মেচতা কোকো ভান্দেৱেঘেনা ফ্রেঞ্চ ওপন চেম্পিয়ন গার্বিন মুগুরুজাবু মায়থীবা পীদুনা ওষ্ট্রেলিয়ন ওপনগী সেমী ফাইনেল চঙখ্রে।

অনসীদেদ অসিনা তরেৎশুবা সীদেদ স্পানিয়ার্দ অসিবু রোদ লেভর এরেনাদা শান্নখিবা মেচ অদুদা ৬-৪, ৬-০ দা মায়থীবা পীদুনা মহাক্কী অহানবা ওইনা গ্রান্দ স্লামগী লাষ্ট ফোরদা চঙখি।

কোকো ভান্দেৱেঘেনা সেমী ফাইনেল মেচতা ভেনস ৱিল্লিয়মসগা লম্বা তৌদুনা শান্নরগনি।

ৱর্ল্ড নম্বর টুদা লৈরিবা ভেনস ৱিল্লিয়মসনা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা শান্নখিবা মেচতা অনাষ্টাসিয়া পাভলয়ুচেঙ্কোভাবু মায়থীবা পীদুনা ওষ্ট্রেলিয়ন ওপনগী সেমী ফাইনেল চঙখিবা খ্বাইদগী অহল ওইরবা নুপীসু ওইখি। মহাক্না অহল ওইনা সেমী ফাইনেলদা খোঙ থাংজিনখিবা অসি চহী ২৩ গী মতুংদা অহানবসু ওইখি।

পনবা য়াই, মার্টিনা নভরাটিলোভানা কুমজা ১৯৯৪ গী ৱিমব্লেদনদা মশাগী চহী ৩৭ শুবদা গ্রান্দ স্লামগী সেমী ফাইনেল চঙখি।

# ক্রেমলিনন্না য়ুম্বু ওইদুনা দিসেম্বর ১ দা ২০১৮ ফিফা ৱর্ল্ড কপ ফাইনেলগী দ্রো পাঙথোক্লগনি




মোস্কো, জান্যুৱারী ২৪ :

রসিয়ানা য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা কুমজা ২০১৮ গী ফিফা ৱর্ল্ড কপ ফাইনেলগী দ্রো লাক্লিবা দিসেম্বর ১ দা ক্রেমলিনদা পাঙথোক্কনি হায়না লৈবাক অসিগী ফুটবোল য়ুনিয়ন (আর এফ য়ু) গী চীফ ভিটালি মুটকোনা নিংথৌকাবা নুমিৎতা ফোঙদোকখ্রে।

রসিয়াগী দিপ্যুটি প্রাইম মিনিষ্টর মুটকোনা হায়খি মদুদি থৌরাং অসি ফিফানা এপ্রুভ তৌখি। মসি কোন্না মালেমগী ফুটবোলগী রুলিং বোদি অসিনা কনফার্ম তৌখি।

মুটকোনা প্রাইম মিনিষ্টর দমিট্রি মেদভেদেবকা উনখিবদা হায়খিবা ৱাফম অদু পাউচে টাসনা ফোঙদোক্লদুনা হায়, ৱর্ল্ড কপকী ফাইনেল দ্রোগী সেরেমোনি অসি দিসেম্বর ১ দা পাঙথোক্কনি। দ্রো অসি কোংগ্রেসেসকী ক্রেমলিন পেলেসতা পাঙথোক্লবা ঐখোয়না ৱামাঙ য়ানখি। মদু পুম্নমক ফিফাগা চান্নবা শিনবনি অমদি হৌজিক ঐখোয়না মসিগী ফাইনেল দ্রো অসি পাঙথোক্লবা শেম শারে হায়না ফোঙদোকখি।

মুটকোনা লাউথোকখিবা অদু ফিফানা অচুম্বনি হায়বা ৱাফম থল্লদুনা ফিফা অমদি লোকেল ওর্গনাইজিং কম্মিটি (এল ও সি) না মোস্কোগী ষ্টেট ক্রেমলিন পেলেসকী কন্সার্ট হোলদা দিসেম্বর ১ দা ২০১৮ ফিফা ৱর্ল্ড কপকী ফাইনেল দ্রো পাঙথোক্কনি হায়বদু কনফার্ম তৌখি।

মসিগী লেমজনিঙাই ওইবা ইন্টরটেন্টমেন্টগী ভেন্যু অসি মীওই ৬,০০০ কী কেপাসিটি লৈরি। মমাঙদা মফম অসিদা মশক নাইরবা ইন্টরনেসনল অমদি লোকেল আর্টিষ্টশিংগী থৌরমশিং মরু ওইনা ট্রেদিস্নেল বেল্লেটস অমদি ওপেরাশিং পাঙথোকখ্রে হায়রি।

রসিয়ানা কুমজা ২০১৮ গী ৱর্ল্ড কপ ফুটবোল টুর্ণামেন্ট য়ুম্বু ওইদুনা জুন ১৪ দগী ১৫ ফাওবা মসিগী সিটি ১১ গী ষ্টেদিয়ম ১২ দা পাঙথোক্কনি। সিটিশিং অদুগী মনুংদা মোস্কো, সেইন্ট পিটরসবর্গ, কাজান অমদি সোচি য়াওরি।

মসিগী সিটি মরি অসিনা ২০১৭ কনফেদরেসন্স কপ য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোক্কনি। কপ অসি জুন ১৭ তা কাজানদা হৌদোক্কনি অমদি ফাইনেলনা জুলাই ২ দা সেইন্ট পিটরসবার্গতা শান্নগনি।

# ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসন্না টিম তরুক্কী ৱিমেন'স ফুটবোল লীগ লোঞ্চ তৌখ্রে




ন্যু দেল্লি, জান্যুৱারী ২৪ :

লৈবাক অসিগী ফুটবোলগী গভর্নিং বোদি ওইরিবা ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসন (এ আই এফ এফ) না অহানবা ৱিমেন'স প্রোফেস্নেল লীগ লোঞ্চ তৌখিবগা লোয়নন্না লীগ অসি মফম অসিদা টিম তরুক্না শরুক য়াদুনা জান্যুৱারী ২৮ দগী পাঙথোকপা হৌরগনি।

লীগ অসিদা শরুক য়াগদবা টিমশিং অদুদি এফ সি অলাখপুরা (হরিয়ানা), জেপ্পিয়র ইনষ্টিট্যুট ওফ টেক্নোলোজি এফ সি (পুদুচেরি), আইজোল এফ সি (মিজোরাম), এফ সি পুনে সিটি (মহারাষ্ট্রা), রাইজিং ষ্ট্যুদেন্ট ক্লব (ওড়িষা) অমসুং মণিপুরগী ইষ্টর্ন স্পোর্টিং য়ুনিয়ন (ঈ এস য়ু) নি। টিমশিং অসিনা রাউন্দ রোবিন ফোর্মেটতা শান্নগনি অমদি টোপ টিম মরিনা সেমী ফাইনেলগীদমক খুমাঙ চাউশিনগনি।

কট্টকনা য়ুম্বু ওইদুনা মমাঙ চহীগী ওক্টোবরদা পাঙথোকখিবা অহানবা লেগকী ক্কালিফাইয়রদা ষ্টেট মাপনদগী টিম ২০ না শরুক য়াদুনা অথোই-অহেন তান্নখি। মদুদগী টিম মাপন্না ইন্দিয়ন ৱিমেন'স লীগ (আই দব্লিয়ু এল) প্রেলিমগীদমক ক্কালিফাই ওইখি।

অহানবা ৱিমেন'স প্রোপেস্নেল লীগ লোঞ্চ তৌবগী থৌরম অদুদা এফ সি পুনে সিটিগী দালিমা চিব্বর, ঈ এস য়ু-এফ সিগী ওইনাম বেমবেম, রাইজিং ষ্ট্যুদেন্ট এফ সিগী সম্মিতা মালিক, এফ সি অলাখপুরাগী সঞ্জু যাদভ, জেম্পিয়র ইনষ্টিট্যুট এফ সিগী সুমিথ্রা কামারাজ অমদি আইজোল এফ সিগী কে লালরু আইজেলিনা মখোয় টিমগী মহুৎ শিন দুনা শরুক য়াখি।

এ আই এফ এফকী প্রসিদেন্ট প্রাফুল পটেলনা হায়খি, ঐখোয়গী নুপী টিম অসি মালেমগী ওইনা ৫৪ শুবা রেঙ্কতা লৈরি। লৈরিবা রেঙ্কিং অসিনা লাক্লিবা ফিফা ৱিমেন'স ৱর্ল্ড কপ ২০১৯ দা শরুক য়াবা ঙম্নবগী খুদোংচাবদু লৈরি। ঐখোয়গী নুপা টিমদি ১২৯ শুবা রেঙ্কতা লৈদুনা নুপী টিমগা য়েংনবদা নেম্না লৈরি। করিগুম্বা নুপী টিম অসিনা মথৌ তাবা থবক থৌরমশিং পাঙথোকপা ঙম্লবদি নুপাদগী হান্না ৱর্ল্ড কপকী ক্কালিফাই ওইবগী খুদোংচাবা লৈতবা নত্তে। মসি য়াম্না চাউনা মায় পাকপগী খোঙচৎ অমনি হায়না মহাক্ না মখা তানা ফোঙদোকখি।

মহাক্না মখা তারদুনা হায়, লৈবাক অসিদা নুপীগী গেম অসি হৌবদা ঙাইরি। ঐখোয়না টিম তরুকখক্না হৌদোক্লি অমদি মথংগী চহীদদি টিম ১৬ শুহন্দুনা পাকথোক চাউথোকহনগনি। মসিনা ঐখোয়গী নুপী ফুটবোল্লরশিংনা কেরিয়রগী ওইনা শিনফম অমা শেম্বা ঙম্লগনি। ঐনা টিম পুম্নমকপু অফবদা ওইনবা মঙ্গল পীরি অমদি অফবা টিম অদুনা মায় পাক্লসনু হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

স্পোর্টস মিনিষ্টর ভিজয় গোইলনা এ আই এফ এফনা আই দব্লিয়ু এল লোঞ্চ তৌখিবদা অপেনবা ফোঙদোকখি।

## সাইনা নেহৱালনা জর্মন ওপনদা শরুক য়ানবা মিৎয়েং থল্লি

লক্ষ্নৌ, জান্যুৱারী ২৪ : মালেসিয়া মাষ্টর্স টাইটল লৌখিবদগী হেন্না মশাদা থাজবা হেঙ্গৎহনখ্রবা ইন্দিয়াগী বেদমিন্টন এস সাইনা নেহৱালনা হৌজিক মতম খরা পোথাদুনা মখা তানা মহাক্কী রিহেবতা লৈদুনা মশা ফিট ওইনবা থৌরাং তৌখিবগা লোয়নন্না লাক্লিবা ফেব্রুৱারী-মার্চতা পাঙথোক্কদৌরিবা জর্মন ওপনদা শরুক য়ানবা মিৎয়েং থল্লি।

হৌখিবা নোংমাইজিং নুমিৎতা সাইনানা মালেসিয়া গ্রান্দ প্রি গোল্ড ইভেন্টকী টাইটল লৌখি। টাইটল অসি মহাক্কী মখুউদা শোত্তুনা কেরিয়রদা তেমশিংনরকখিবদগী রিও ওলেম্পিক্সকী কেম্প্যেনদা লৈখা তাখ্রবা মতুং অহানবা ওইনা ফংখিবনি।

মশাগী চহী ২৬ শুরবী অসিনা ঙসিদগী লক্ষ্নৌদা চথবা হৌখ্রবা সয়ীদ মোদি গ্রান্দ প্রি গোল্ডদা শরুক য়াদনবা ৱারেপ লৌখি।

ওল ইংলেন্দ চেম্পিয়নশিপকী মাঙওইননা টুর্ণামেন্ট অমা হেক্তা শরুক য়াগদ্রা হায়বগী মতাংদা সাইনানা হায়খি, ঐগী হকচাং ফিটনেস ওইবগী মখা পোন্না জর্মন গ্রান্দ প্রি গোল্ডদা শান্নবা মিৎয়েং থল্লি। ঐনা চয়োল খরা পোথাদুনা ঐগী অফবা মায়কৈদা লাক্লবা মথৌ তারি হায়না ফোঙদোকখি।

# ইন্দিয়ানা এ এফ সি এসিয়ন কপকী অহুমশুবা ক্কালিফাইয়িং রাউন্দদা কিরগিজষ্টান, ম্যান্মার অমদি মকাউগা পুন্না তামিন্নরি



ন্যু দেল্লি, জান্যুৱারী ২৪ :

য়ুনাইটেদ অরাব ইমিরেটস (য়ু এ ঈ) না য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা কুমজা ২০১৯ গী এ এফ সি এসিয়ন কপকী ফাইনেল ক্কালিফিকেসন রাউন্দ মেচকী গ্রুপ্তা ইন্দিয়ানা কিরগিজষ্টান, ম্যান্মার অমদি মকাউগা পুন্না তামিন্নখ্রে।

টুর্ণামেন্ট অসিগী দ্রো অসি অবু ধাবিদা জান্যুৱারী ২৩ দা পাঙথোকখিবনি। টুর্ণামেন্ট অসিগী ক্কালিফাইয়িংদা টিম ২৪ না লম্বা তৌদুনা শান্নগনি অমদি গ্রুপ তরুক খায়দোক্তুনা গ্রুপ অমমমদা টিম ৪/৪ না পুন্না তামিন্নরি। ইন্দিয়ানা গ্রুপ এদা তারি।

গ্রুপ্তা য়াওরিবা টিম মরি অসিনা হোম এন্দ অৱে মেচ ওইনা রাউন্দ রোবিন বেসিসতা শান্নগনি। গ্রুপ খুদিংমক্কী ৱিন্নর অমদি রন্নরস-অপ তাবা টিমশিংনা কন্টিনেন্ট অসিগী প্রেমিয়র কম্পিটিসন অসিগীদমক ক্কালিফাই ওইগনি। মখোয়না অনীশুবা রাউন্দগী ক্কালিফাইয়িংদগী দাইরেক্ট ওইনা ক্কালিফাই ওইরক্লবা টিম ১২ গা পুনগনি।

দ্রো অদুদা ইন্দিয়ানা অনীশুবা সীদেদ ওইনা লৈখি। মসি হন্দক্তা ফিফানা লাউথোকখিবা রেঙ্কিং লিষ্টতা ইন্দিয়ানা ১২৯ শুবা মফমদা লৈখিবা অদুদগী অৱাংবা সীদেদতা লৈবা ঙমখিবনি। ইন্দিয়ানা কুমজা ১৯৮৪ দা ট্রেদিসনেল রুটকী খুথাংদা কম্পিটিসন অসিগী ক্কালিফাই ওইখি অদুগা কুমজা ২০০৮ গী এ এফ সি চেল্লেঞ্জ কপকী ৱিন্নর ওইখিবদগী কুমজা ২০১১ গী এ এফ সি এসিয়ন কপকী ক্কালিফাই ওইবা ঙমখি। চহী ৫৩ গী এদিসনগী রন্নরস-অপ তাখি। মসিনা ইন্দিয়ানা কন্টিনেন্টেল ষ্টেজদা খ্বাইদগী চাউনা মায় পাকপদু ওইখি।

কম্পিটিসন অসিদা ইন্দিয়ানা মালেমগী রেঙ্ক ১২৪ শুবদা লৈরিবা কিরগিজষ্টানন্না খ্বাইদগী চাউবা চেল্লেঞ্জর অমা ওইগনি হায়না থাজনরি। অদুগা ম্যান্মার (১৫৯) অমদি মকাউ (১৮৪) না দ ব্লু টাইগরদগী হেন্না অনেম্বা রেঙ্কতা লৈরিবনা থোইদোকপা অকায়বা অমত্তা ওইরোইদৌরি।

দ্রো ওৎখ্রবা মতুং টিম ইন্দিয়াগী হেদ কোচ ষ্টেফন কোনষ্টান্টিননা হায়খি, দ্রো অসিদা ঐখোয়না অপেনবা পোকই। ক্কালিফাইয়িং কেম্পেন অসি অফবা লেসন অমনি হায়না ঐখোয়না থাজে। মসিনা অনৌবা প্লেয়রশিং মশক উথোকপা ঙম্বগী তাঞ্জা অদু ফংবদা নত্তনা ইন্টরনেসনল ফুটবোলদা শান্নবগী এক্সপরিয়েন্স খরদি ফংবা ঙম্লগনি হায়না মহাক্না অবু ধাবিদগী দব্লিয়ু দব্লিয়ু দোট দ-আইফ দোট কোমদা ফোঙদোকখি।

মহাক্না মখা তারদুনা হায়খি, ঐখোয়না ক্কালিফাই ওইনবগী আশা তৌরিবা অসি কায়হন্দনবা অকনবা মওংদা ট্রেনিং তৌবা মথৌ তারি। ঐনা আই-লীগতা মিৎয়েং থল্লি অমদি মখোয়গী পার্ফোর্মেন্স য়েংলগা ক্কালিফাইয়রগীদমক টিম খনগৎকনি। হেরো আই-লীগ খক্তা নত্তনা প্লেয়রশিংনা মখোয়গী পার্ফোর্মেন্সপু ফজরবদি মখোয়না কেম্পতা য়াওবা ঙমগনি। ঐখোয়না মার্চ থাদা শান্নরোয় ৩০ খনগৎকনি অমদি মমাঙগী রেকোর্দনা কেম্পকীদমক লেপ্পা তৌরোই হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

ইন্দিয়ানা মখোয়গী অহানবা ওইনা অৱে মেচতা ম্যান্মারগা মার্চ ২৮ দা শান্নগনি অদুগা জুন ১৩ দনা য়ুম্বু ওইদুনা কিরগিজষ্টানগা শান্নগনি। সেপ্টেম্বর ৫ দা অৱে মেচ ওইনা মকাউগা শান্নগনি অমদি ওক্টোবর ১০ দা হোমদা শান্নগনি। ষ্টেফন কোনষ্টান্টিনগী সাইদনা য়ুম্বু ওইদুনা ম্যান্মারগা নবেম্বর ১৪ দা শান্নগনি লোয়নন্না মখোয়গী কেম্প্যেনগী অরোইবা ওইনা কুমজা ২০১৮ গী মার্চ ২৭ তা কিরগিজষ্টানগা লম্বা তৌদুনা শান্নগনি।

# পি ভি সিন্ধু, সক্সি মালিক, পুল্লেলা গোপিচান্দনা লেমজনিঙাই ওইরবা পদ্মা এৱার্দ ফংগদবশিংগী লমজেলদা য়াওরে



ন্যু দেল্লি, জান্যুৱারী ২৪ :

ইন্দিয়াগী ষ্টার ওলেম্পিয়ন্স পি ভি সিন্ধু অমদি সক্সি মালিকনা চহী অসিগী পদ্মা এৱার্দকীদমক শক্লাইরবা মীওই ১৫০ গী শোর্ট লিষ্টতা য়াওরে।

পি ভি সিন্ধুনা রিও ওলেম্পিক্সতা সিলভর মেদল লৌখিদুনা অহানবা ইন্দিয়াগী নুপী শট্টলর ওইখিবগী পুৱারী শেমখিবনি। সক্সিসু খ্বাইদগী চাওরবা স্পোর্টিং এক্সট্রাভেগঞ্জাদা অহানবা ইন্দিয়ন নুপী রেস্টলর অমনা মেদল লৌবা ঙম্বগী পুৱারী শেমখি।

সিন্ধুগী কোচ পুল্লেলা গোপিচান্দসু এৱার্দ অসি ফংলবা য়ারি। মহাক অসি লৈবাক অসিগী খ্বাইদগী ফবা কোচ অমা ওইরিবনি। এৱার্দ অসিগীদমক শোর্ট লিষ্টতা য়াওরিবশিংদি গুগলগী চীফ সুন্দর পিচাই, মাইক্রোসোফট হেদ সটয়া নাদোল্লা অমদি ইন্দিয়ন অমেরিকান গভর্ণর ওফ সাউথ কারোলিনা নিক্কি হেলে য়াওরি।

এৱার্দ অসি চহী খুদিংগী রি পব্লিক দে নুমিৎতা পীদুনা লাক্লি।

লেমজনিঙাই ওইরবা এৱার্দ অসি আর্ট, লিটরেচর, এদ্যুকেসন, স্পোর্টস, মেদিসিন, সোসিএল ৱার্ক অমদি ইন্দষ্ট্রি হায়রিবা ফিল্ড অসিদা মশক থোক্না মায় পাক্লবশিংবু শকখঙবা ওইনা খনগৎলগা পীবনি। লিষ্ট অসিদা য়াওরিবা অতোপ্পা মীওইশিং অদুদি পরালিম্পিয়ন দীপা মালিক, ষ্টার ক্রিকেটর অমদি হান্নগী ইন্দিয়ন ক্রিকেট টিমগী কেপ্টেন মহেন্দ্রা সিংহ ধোনিসু য়াওরি।

# সানিয়া, বোপান্নানা মিক্স দবলসকী ক্কার্টর ফাইনেল চঙখ্রে



মেলবোর্ন, জান্যুৱারী ২৪ :

ইন্দিয়াগী টেনিস এস সানিয়া মিরজা অমদি মহাক্কী পার্টনর ইভান দোদিগনা মফম অসিদা চথুরিবা ওষ্ট্রেলিয়ন ওপনগী মিক্স দবলসকী লৈবাকপোকপা নুমিৎতা শান্নখিবা মেচতা অলেকজেন্দর পেয়া অমদি ঝেং সাইসাইবু ২-৬, ৬-৩, ১০-৬ তা মায়থীবা পীদুনা ক্কার্টর ফাইনেলদা খুমাঙ চাউশিনখ্রে।

মায় পাকখিবা অসিনা সানিয়া মিরজা অমদি দোদিগনা ক্কার্টর ফাইনেল মেচতা রোহন বোপান্না অমদি কনাডাগী গাব্রিইলা দাব্রোস্কিগা লম্বা তৌদুনা শান্নগনি।

রোহন বোপান্না অমদি গাব্রিইলা দাব্রোস্কিনা অতোপ্পা মেচ অমদা লুকাজ কুবোট অমদি চান য়ুন-জানবু ৬-৪, ৫-৭, ১০-৩ দা মায়থীবা পীদুনা লাষ্ট আইটতা খুমাঙ চাউশিনখিবনি।

মিরজা অমদি দোদিগনা মেচ অদুদা অনফোর্স ইরর ১৯ তৌখি অদুগা পেয়া অমদি ঝেংনা ১৭খক্তমক তৌখি। ইন্দো-ক্রোটকী জুরা অসিনা অহানবা সেটতা ২-৬ তা নেম্না লৈখি। অদুবু অরোইবদা পেয়া অমদি ঝেংনা ২-৬ তা সেট অদু মায় পাকখি।

অনীশুবা সেটতা সেকেন্দ সীদ অসিনা ৬-৩ দা মায় পাকখি অমদি দিসাইদরগী টাই ব্রেকরদা মায় পাকখি।

ওপন অসিদা লীএন্দর পেস অমদি মহাক্কী পার্টনর মার্টিনা হিঙ্গিসনা ক্কার্টর ফাইনেল মেচতা মায় পাকপা ঙম্লবদি সেমী ফাইনেল মেচতা ইন্দিয়ন অনীনা লম্বা তৌদুনা শান্নরগনি। পেস অমদি হিঙ্গিসনা ক্কার্টর ফাইনেল মেচতা লোকেল ফেভোরাইট সমান্থা ষ্টোসুর অমদি সাম গ্রোথকা লম্বা তৌদুনা শান্নগনি।

চৈরক অসিদা জুনিয়র ইভেন্টতা সিদধান্ট বানথিয়ানা মহাক্কী পার্টনর কায়া গোরেনা নুপামচাগী দবলসকী ক্কার্টর ফাইনেল চঙখ্রে। সিদধান্ট বানথিয়া অমদি মহাক্কী টর্কিস পার্টনর কায়া গোরেনা তরুকশুবা সীদ জিজৌ বার্গস অমদি য়শাই ওলিলবু ৬-৩, ৭-৬ (৬) তা মায়থীবা পীখি।

অদুম ওইনমক মিহিকা যাদভনা তরুকশুবা সীদেদ জপানিজ মাই হোন্টামাগী মখুৎতা নুপীমচাগী সিঙ্গলস সেকেন্দ রাউন্দদা ২-৬, ১-৬ তা মায়থীহৌখি।

পনবা য়াই, ভেটৰান ইন্দিয়ন টেনিস ষ্টার লীএন্দর পেস অমদি মার্টিনা হিঙ্গিসনা ওষ্ট্রেলিয়ন ওপনগী নিংথৌকাবা নুমিৎতা শান্নখিবা মিক্স দবলস ইভেন্টতা ওষ্ট্রেলিয়াগী দো মেট্ট রৈদ অমদি কেসি দেল্লাক্কুআবু ষ্ট্রেট সেটতা মায়থীবা পীদুনা ক্কার্টর ফাইনেল চঙখিবনি।

ইন্দো-স্বিসকী জুরা অসিনা মখোয়গী ওপোনেন্টপু অনীশুবা রাউন্দগী মেচতা ৬-২, ৬-৩ দা মিনিট ৫৪ চঙনা শান্নখিবা মেচ অদুদা মায়থীবা পীখি। মেচ অদু পেস অমদি হিঙ্গিসনা দোমিনেট তৌনা চৎখি অমদি মখোয়গী রাইভেলবু নিংথিনা খুৎ হল্লক্নবগী খুদোংচাবা পীখিদে।

ইন্দো-স্বিসকী জুরানা দেল্লাক্কুআবু মরিশুবা গেমদা ব্রোক তৌখিদুনা য়াম্না ঙন্না মাঙজিল থাখি। মখোয়না গেম অদু মিনিট ২৪ দা মায় পাকখি। পেস-হিঙ্গিসনা অহানবা সেট অদুদা অনফোর্স ইরর অমা তৌখি অদুগা মখোয়গী ওপোনেন্টনা তরেৎ তৌখি। অদুবু হিঙ্গিসনা বেজলাইন অদু কন্ত্রোল তৌখি, পেসনা এটেকশিং তৌদুনা মখা তাবা পোইন্টশিং লৌখি।

ANGELS' COACHING CENTRE
URIPOK POLEM LEIKAI
THE MOST TRUSTED COACHING CENTRE IN THE CITY

ADMISSION OPEN Foundation Course for Class I to X Starts: 5th Jan. 2017

5th Open Mega Mock Test for HSLCE 2017

RE - SCHEDULED TIME TABLE

| Date & Day | 31/01/2017 (Tuesday) | 02/02/2017 (Thursday) | 04/02/2017 (Saturday) | 08/02/2017 (Wednesday) | 12/02/2017 (Sunday) | 15/02/2017 (Wednesday) |
|---|---|---|---|---|---|---|
| Subject | Science | MIL (Man, El. Man.) | English | Social Science | Mathematics | Addl. Sub |

TOPPERS of 2016



1st Position Sohana Laishram Nirmalabas H/S
2nd Position Naorem Suzanna Nirmalabas H/S
3rd Position M. Vasundhara Little Flower H/S
8th Position Wosoron C Tiny Tots
9th Position Sindia A Nirmalabas H/S
10th Position Yaisana A Nirmalabas H/S
10th Position Chetanna RK Nirmalabas H/S
11th Position Selina K Nirmalabas H/S
12th Position Malemnganbi Kh Little Flower H/S
12th Position Joyson Haokip Heritage
14 Position Jessica L
15 Position Tanya G
16 Position Ningthem H
20 Position Eunice Y
21st Position Th. Krishnakant
22nd Position Sylvest K
23rd Position Reeturani L
23rd Position K. Ghanapyari
24th Position Themson Saka
25th Position Taibanganbi Kh

Contact : 9856988840 / 9402897710 / 8732022342
BOARDING FOR BOYS & GIRLS

HL-B/3606/12/01-11/02